## মীওই ৬০৮ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী ৰাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬০৮ রোম ঙসি ফ্লাইট তরেৎতা পুরগা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

অহানবা ফ্লাইট অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩৭ রোম তাবদা (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮২) দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭২ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই ৪৫৭) অসিনা অয়ুক পুং ১০.৪০ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদগী মীওই ১১৭ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। অহুমশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া ৯ আই ৭৪১) অসিনা কোলকাতাদগী মীওই ৮৫ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো (৬ই ৮৮৯) অসিনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ রোম তাবদা অগরতালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫০ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। মঙাশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো (৬ই ২০১৯) অসিনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ রোম তাবদা দিল্লিদগী মীওই ১১৭ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। তরুকশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো (৬ই ৬৩২৩) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.১০ রোম তাবদা কোলকাতাদগী মীওই ৭৪ পুরগা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলখ্রে। তরেৎশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২.১০ রোম তাবদা দিল্লিদগী মীওই ৯৩ রোম পুরগা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলখ্রে হায়রি।

## এ সী মঙাগী মরক্কী মীখল তরাম্না ওকই : এম তোম্বী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী হৌজিক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৩ হাংদুনা লৈরিবা এম এল এশিং মেনশিন্নবা ইলেক্সন কমিসন ওফ ইন্দিয়ানা অহানবগী ওইনা এ সী অনী মরক্কী মীখল পাঙথোক্লা লাউথোকপ্রবা মতুংদা ঙৰাং অমুক এ সী অহুম মরক্কী মীখল পাঙথোকপা মতমদা ঈ সী আইনা নোটিফিকেসন লাউথোরকপা অসি মণিপুর দিমোক্রেটিক এলায়ন্সনা থাগৎপা লোয়ননা মরক্কী মীখল অসি তরাম্না ওকই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী বাবুপরাদা লৈবা শিবা সেনাগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবদা মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা মণিপুর দিমোক্রেটিক এলায়ন্সকী কনভিনর মোইরাংথেম তোম্বীনা মখা তানা হায়, এ সী ১২গী এম এল এ হাংদুনা লৈরগা এ সী অনীখক ঈ সী আইনা মরক্কী মীখল পাংথোক্লবা এনাউন্স তৌরকপা অসি মণিপুর দিমোক্রেটিক এলয়ন্সনা অমুক্তং খন্নরগা ৰারেপ অমা লৌরগা ঈ সী আইদা হৌখিবা ওক্টোবর ১ দা চেরোল অমা থাদুনা হায়জখি। মরু ওইবা ৰারোলনা হায় কোর্ট অমদি সুপ্রিম কোর্টকী স্টে ওর্দরগুম্না চাপ চাবা কেস লৈবশিং নত্তবশিংদি মরক্কী মীখল পাঙথোক্তদৌরিবা অসিদা অতৈ লৈহৌরিবশিং য়াওবীয়ু হায়দুনা এম দি এগী মায়কৈদগী ঈ সী আইদা চেবাউ থাদুনা হায়জখি। মদুগী মখা তারকপদা ঙৰাং ঈ সী আইনা ৰাঙ্গৈই, সিংহাট অমদি সাইটু এ সী য়াওনা পুন্না মীখল পাঙথোক্লগনি। মণিপুর দিমোক্রেটিক এলায়ন্সকী মনুংদা য়াওরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদি বি জে পি, শিবা সেনা, আম আদমি পার্টি, মণিপুর নেসনল দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট, নেসনল পিপল পার্টি, বহুজন সমাজ পার্টি, পি পি এ, এম পি পি অমসুং পিপলস দিমোক্রেটিক এলায়ন্সনচিংবনি।

পাঙথোক্তদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীরেপশিংনা কোভিদ-১৯ থিংবা ঙমদনা শন্দোরক্লিবা লায়না-লাইচৎ অসি য়েংলগা য়ারিবমখৈ এস ও প ঙাকপীরগা তৌবিয়ু। ইলেক্সন অনীদা মীয়াম পুন্দুনা চাকচা-হৈজনবা, মফম মতম চাদনা শানৈ-য়ুনৈবা অমদি মমাই কাবা চিঙ্কাকশিং কেন্দিদেটশিংনা শীজিন্নহন্দনবা অপিল তৌরি। মরক্কী মীখল অসিদা এম দি এগী কেন্দিদেট থাদোকপা নৎত্রগা থাদোক্তবা হায়বা অদু অথুবা মতমদা পার্টি অসিগী পুন্না খন্নরগা মীয়ামদা লাউথোরক্লগনি হায়খি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা আম আদমি পার্টি স্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মনিহার, এম এন সী এফকী সেনিয়র ভাই প্রসিদেন্ট অমদি এম দি এগী কো-কনভিনর অমদি শিবা সেনা মণিপুরগী সেক্রেটরি কে নিরঞ্জোয়নচিংবা শরুক য়াখি।

## এম পি এস টি এগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) : ইন্টরনেসনল টিচরস দেগা ইরোয়ননা মণিপুর প্রাইভেট স্কুল টিচরস এসোসিএসনগী অনৌবা এগজিক্যুটিভশিং খন্দুনা থবক পায়বা হৌখ্রে।

দি এম কোলেজগী গেট ময়াদা লৈবা খুন্থোকহনবী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তখেলদা লৈবা বাল বিদ্যা মন্দিরগী প্রিন্সিপাল মোইরাংথেম হেমন্তা, স্লোপলেন্দ কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসনগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর ক্ষেত্রিময়ুম জিতেন্দ্র, তাংখুলদা লৈবা ঈ স্টেন্দার্দ ইংলিস স্কুলগী ফোমর প্রিন্সিপাল সলাম বিহারিনা শরুক য়াখি।

নৌনা এগজিক্যুটিভ চার্জ লৌখ্রবা মীওইশিং অদুদি ন্যু ইরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচর অমদি এম পি এস টি এগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম সরত, পরি ইমোম খ্বাই শিন্দম শঙগী প্রিন্সিপাল অমদি এম পি এস টি এগী সেক্রেটরি বিজু লৈশাংথেম, ফ্রান্সিয়র হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফোর্মর লেকচরর অমসুং এম পি এস টি এগী ট্রেজরর খোইস্নাম জেমস, ন্যু লাইভ একাদেমিকী এসিস্টেন্ট টিচর অমসুং এম পি এস টি এগী জোইন্ট সেক্রেটরি অতোম রাজিব, হার্বাট স্কুলগী ফোর্মর লেকচরর অমসুং এম পি এস টি এগী স্টেট কোওদিনেটর কে ঐচ শাম অমদি হেরিটেজ কনভেন্টকী এসিস্টেন্ট টিচর অমসুং এম পি এস টি এগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি লোক্তোংবম লিলিতোনি হায়রি।

## পোজিটিভ ওইদুনা শিখিবা মশিংসু ৩...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিং অসি থারগা মণিপুরগী ওইনা অপুনবা পোজিটিভ কেস মশিং অসি ১২,২৪০ শুরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৯৭৬৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৪৭৩ নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলকপা কেস মশিংনা ৯৪৮২ শুরে। ফগৎলক্লবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৭৩৯০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২০৯২ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৭৭.৪৬ নি। অদুগা কেস ২৬৮০ না এক্টিভ কেসনি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৩০২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৭৮ য়াওরি।

তোঙান-তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং অমদি হোস্পিটালশিংদগী মীওই ১৪৮ সু দিসচার্জ তৌখ্রে। দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুদি সী এ পি এফকী ৬, হোম আইসোলেসন্দা লৈরকখিবা ৪, জেনিমসতগী ১, রিমসতগী ৫, সী সী সী য়ুনাক্কোদগী ৩৬, সী সী সী লম্ফেলৈ খোংনাখোংদগী ১৬, আর দি ৰিংদগী ২৮, তমেংলোংদগী ১৫, কামজোংদগী ১, কসোম খুল্লেন্দগী ৩, সদভাবনা মান্দপতগী ৩, লানভাদগী ১, নোনেদগী ১, মোরেদগী ২, টি কে উখ্রুলদগী ১, জে এন ভি চান্দেলদগী ৭, লমদিং ৰাংজিংদগী ৯ অমসুং সী সী সী থৌবালদগী ৯নি।

স্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং অসি চাদা ৪.৭৬ ওইরি। ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা য়েংবদনা চাদা ৭.৫ ওইবনা নেসনলগী এভরেজদগী মণিপুরনা চাং হন্থরি। কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি লাকশিনবা ঙম্লোইদবগী মতৌ অমত্তা উবা লৈতে। লাক্কদবা নুমীৎ ২/৩ নি অসিদা রেপিদ এন্টিজেন লিশিং ৫০ রোমসু য়ৌরক্লগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কোভিদ কম্মিটিদা নোংমৈ পায়রগা কিহল্লম্বনি হায়বা অমা ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) : খুরাই এ সী কোভিদ ৱর্কিং কম্মিটিগী মেম্বর অমবু থা অসিগী ৪গী নুমীদাং পুং ৮.২০ লোম তারকপদা ফূবগা লোয়ননা কম্মিটিসিগী য়াওনা খুরাই পুথিবা নান্দেবম লৈকায়গী য়ুথ স্পোর্টস য়ুনিয়ন কম লাইব্রেরীগী মেম্বরশিংবু লাইসেন্স নোংমৈ (পোইন্ট ৩২ রিভোলভর) পায়দুনা কিহল্লম্মী হায়বা থৌদোক্কা মরী লৈননা ফাখিবা মীওই অমা থা অসিগী ৮ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

পুলিসনা ফারবা মীওই অদুগী মমিং প্লস ফিজম (৪৩), অপোকপা পি ঐচ সুবদনি কৌই, খুরাই পুথিবা লৈকায়দগীনি হায়রি।

মহাক থৌদোকসিগী মতাংদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্না লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর- ১৭৬(১০)২০২০ অন্দর সেক্সন- ৩২৫/৫০৬ আই পি সী অমসুং ২৭(১) আমর্স এক্টকা মরী লৈননা ফাবনি হায়রি। অদুগা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোরক্লগা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখিবনি হায়রি।

## মপান লমদগী মাঙখিবনি হায়বা রোয়ল ইনফিল্ড বুল্লেট ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচ এন এস) : কোলকাতা আই সী আই সী আই লোমবার্দ জেনরেল ইন্সুরেন্স কম্পনিদগী অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী হৌখিবা চহী ২০১৭ গী নবেম্বর থাদা জালুকাভরি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা গোতানগর, বি বি সী কোলোনি, গুৱাহাতিদগী মাঙখিবা রোয়ল ইনফিল্ড অমা ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ককচিং সুমক লৈকাইদা লৈবা রোয়ল ইনফিল্ড রিপ্যায়রিং সেন্টর অমদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ফাগৎলবা রোয়ল ইনফিল্ডগী মোদেল অদু বি এস ৪ ব্লেকনি, চেসিস নম্বরনা এম ঈ ৩ য়ু ৩ এস ৫ সী ১ ঐচ জি ১ ৬ ৬ ৪০৪ অমদি রেজিষ্ট্রেসন নম্বরনা এ এস ০১ দি কে ৪০২১ নি। ফাগৎলবা রোয়ল ইনফিল্ড অসিগী মতাংদসু জালুকাভরি পি এসতা খঙহনখ্রে হায়রি।

## ঈ সী আইগী গাইদলাইন মতুংইন্না এস ও পি ঙাক্লা মরক্কী...

*লামায় ১গী মখা...* থবকশিং তৌবা য়াররোই। চহী ৮০গী মথক্তা লৈবা অহল ওইরবশিং, পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজশিং অমদি ক্বারন্টিনদা লৈরিবা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদি পোষ্টেল বেলোটতা ভোট থাদবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা জে ইন্ট সী ঈ ও রমানন্দ নোংমৈকাপ্পমসু শরুক য়াখি।

মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ৰাঙ্গৈই, লিলোং, ৰাংজিং-তেন্থা, সাইটু অমসুং সিংহাট এ সীগী ওইনা অপূনব ভোটর মশিং অসি ১,৫৭,৬৫৮ রোমনি।

ৰাঙ্গৈই এ সীগী ওইনা অপূনবা ভোটর ২৭৮৭০ লৈবগী মনুংদা নুপা ভোটর ১৩৬৭৭, নুপী ভোটর ১৪১৯২ অমসুং থার্দ জেন্দর ভোটর ১ য়াওরি।

লিলোং এ সীগী ওইনা অপূনবা ভোটর ৩২৩৯৮ লৈবগী মনুংদা নুপা ভোটর ১৫৮৭৭, নুপী ভোটর ১৬৫১৮ অমসুং থার্দ জেন্দর ভোটর ৩ য়াওরি।

ৰাংজিং-তেন্থা এ সীগী ওইনা অপূনবা ভোটর ৩১২১৩ লৈবগী মনুংদা নুপা ভোটর ১৫০৫৩ অমসুং নুপী ভোটর ১৬১৬০ য়াওরি।

সাইটু এ সীগী ওইনা অপূনবা ভোটর ৩৯৮৯০ লৈবগী মনুংদা নুপা ভোটর ১৯৫৭৪, নুপী ভোটর ২০৩১২ অমসুং থার্দ জেন্দর ভোটর ৪ য়াওরি।

সিংহাট এ সীগী ওইনা অপূনবা ভোটর ২৬২৮৭ লৈবগী মনুংদা নুপা ভোটর ১২৮৬৫ অমসুং নুপী ভোটর ১৩৪২২ য়াওরি।

কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা ভোটর লিশিং ১ হেন্না লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অনী থোক্লা খায়দোক্লগা মীখল পাঙথোক্কনবা ঈ সী আইগী পাউতাক মতুংইন্না সী ঈ ও মণিপুরগী ওফিসনসু মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৫ অসিগী মনুং চন্না লৈবা ভোটর লিশিং ১ হেনবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অনী থোক্লা খায়দোক্লগা মীখল পাঙথোক্কনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। ৰাঙ্গৈই এ সীগী ওইনা হান্না পোল্লিং ষ্টেসন ৪০ লৈরম্বা অদু হন্দক্কী মরক্কী মীখল অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন অমা হেনগৎতুনা পোল্লিং ষ্টেসন ৪১ দা ভোট থাদনহনগদৌরি। লিলোং এ সীগীসু হান্না পোল্লিং ষ্টেসন ৩৯ লৈরম্বা অদু অনৌবা পোল্লিং ষ্টেসন ১০ হাপখৎলগা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৪৯ দা ভোট থাদনহনগদৌরি। ৰাংজিং-তেন্থা এ সীগী হান্নগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩৯ লৈরম্বা অদু অনৌবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪ হাপখৎলগা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৪৩ দা ভোট থাদনহনগদৌরি। সাইটু এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন ৬৭ লৈরম্বা অদু অনী হেনগৎহন্দুনা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৬৯ দা ভোট থাদনহনগদৌরি। সিংহাট এ সীগীসু পোল্লিং ষ্টেসন ৫১ লৈরম্বা অদু ১ হেনগৎলগা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৫২ ভোট থাদনহন্নবা থৌরাং তৌরি।

## লমদমসিগী ফৌ-চেঙ তাইনবা হোৎনবদা...

*লামায় ১গী মখা...* (কোভিদ-১৯) লাইচৎনা য়ৌরক্লিঙৈগী মমাঙদা ফৌ মোল অমা (কিলোগ্রাম ৪০) দা লুপা ১,০৫০ ফাওবা য়োন্নখি। হৌজিক্তি ফৌ মোল অমদা লুপা ৯০০/৯৫০ দা তাইনৈ/য়োন্নৈ। মদুমকসু ফৌশিং লোইনা লৌবীরব্রা হায়বা অদুদি নত্তে। ফৌসু লল্লোনবীশিংদা ফৌ লৌবীয়ু হায়দুনা হায়জরিবনি। ফৌসু লল্লোনবীশিংনা চেঙ তাইবা/য়োনবদা শীৎতে হায়দুনা ফৌ লৌবীয়ু হায়বসু য়াদ্রিবনি। কোভিদ-১৯ লাইচৎকী ৰারবা মতম অসিদা লৌমীশিংনা ৰানা হোৎনজদুনা ফৌ লোকপা য়ারক্লবা মতম অসিদা অসিগুম্বা কয়া অসিনা মরম ওইরগা ফৌ তাইবসু শীৎত্রবনিনা ফৌ লোক্লবা খুল্লং শেল, মেছিন নেক্লবগী শেলদি পীথোক্তবসু য়ারোইদৌরিবনিনা লৌমীশিংনা শেল লৈতবগী অৰাবা কয়া চাউনা মায়োক্লরে, লৌমী অয়াম্বা কোক্তা খুৎ লোয়না হাপ্পরে হায়নসু লৌমীশিংনা ফোঙদোরকখি।

ককচিংদগী ফৌসু লল্লোনবী অমনা ফোঙদোরকপদা, মহাক মশামক চহী ৭/৮ লোমগী মমাঙদগী ফৌসু লল্লোনবগী থবক তৌদুনা ইমুং-মনুং পুদুনা লাকপনি। ইম্ফাল, চান্দেল অমদি উখ্রুলনচিংবদা ফৌ তকথোক্লগা চেঙ ওইনা থাবনি। হন্দক চহী অসিগী মার্চ অহানবা চয়োল অদুৱাই ফাওবা চেঙ থাবগী থবক অসি চত্থখিরম্মী। কোরোনা ভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না-লাইচৎ অসি লাকপদগী লৈঙাক্লা লোকদাউন চত্থখিবদগী এপ্রিল থাদগী ওগষ্ট থা অসি ফাওবদি ফৌসু লল্লোনবগী থবক অমত্তা তৌদনা লাকখিবনি। সেপ্টেম্বর থাদগী ফৌ খরা খরা লৌদুনা চেঙ তাইবগী থবক অসি হৌরকপনি। হৌজিক্তি চেঙ লৌবীনবা মী য়াম্না লৈতবনা ফৌ য়াম্না লৌশিল্লগা চেঙ ওন্থোকপসু ঙমদ্রে। মীতৈ চেঙ নৎত্রগা চেঙ অথোৎপগী ফৌ অসি মখোয়না হৌজিক লৌরিবা অসি ফৌ মোল অমদা লুপা ৯০০ নৎত্রগা ৯৫০ দা লৌরি। চেঙ ওইনা য়োনবদা চেঙ কিলোগ্রাম ৫০গী বেগ অমদা লুপা ২,৩০০ দা য়োল্লি। চেঙ কিলোগ্রাম ওইনা চোইনা য়োনবদনা লুপা ৪৭/৪৮ ফাওবদা য়োল্লি। হান্না কোরোনাভাইরস লাক্ত্রিঙৈদদি চেঙ কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৫০ দগী ৫২ ফাওবদা য়োন্নরুরবনি। মদুসু য়োনবদা শীৎতবা তৌদে, লৌবীনবা মী অদুম ৰাৎতনা লৈরিবনি।

ফৌ মোল অমা চেঙ ওন্থোকপদা চেঙ কিলোগ্রাম ২৭ খক্তমক ফংই। ফৌ মোল অমা চেঙ ওন্থোক্তুনা তাইবদা লুপা ১৫০/২০০ রোমতমক শেন্দোং ফংলমগনি খল্লি। হৌজিক চেঙ শীৎত্রিবা অসিগী মরম করি ওইবা য়াবগে হায়না হংবদা ফৌসু লল্লোনবী নুপী অদুনা হায়, কোরোনা ভাইরস (কোভিদ-১৯) লাইচৎ অসিনা শন্দোরকপদগী থিংনবনি হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোকদাউন তৌখিবা অমসুং নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) চেঙ অহোংবা মমলদা ইমুং অমগী ভোটর চল্লবশিংদা চেঙ কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৩/৩ দা চেঙ কিলোগ্রাম ৫/৫ ফংবগী মথক্তা চহী ৬কী মথক্তা লৈবা মীপুম খুদিংমক প্রাইম মিনিষ্টর গরিব কল্যান যোজনা (পি এম জি কে ৱাই)গী মখাদা এপ্রিল থাদগী চেঙ কিলোগ্রাম ৩/৩ লেম্না য়েনবা হৌরকখিবা অমসুং মীয়ামসু লোকদাউনগী থবক শুফমগা লৈনদবনা শেন্মীৎলোন্দা লোয়না শোক্লবনা মরম ওইরগা হৌজিক মীতৈ চেঙ (চেঙ অথোৎপা) অসি য়োনবদা শীৎতবনি। হৌজিক সুপর ফাইন চেঙ অসি কৈথেলদসু কিলোগ্রাম ৫০গী বেগ অমদা লুপা ৯৫০ দগী ৯৭০ অদুৱাইদা য়োন্নরি। অদুনা সুপর ফাইন চেঙ অসি কিলোগ্রাম অমা চোইনা য়োনবদা লুপা ২১/২২ দা লোইনা য়োন্নরে। সুপর ফাইন চেঙ ফাওবা লৈবীনবা মী ইরৈ লৈত্রে। য়ু শুংবশিংনা ঐখোয়গী মীতৈ চেঙ (চেঙ অথোৎপা নৎত্রগা ঐখোয়গী লমদম অসিগী পোথোক ওইজবা)না শুংলম্বা অদু ফাওবদা সুপর ফাইন চেঙনা মহুৎ শীনখিবগী ফীভম অমদা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে মরমদি য়ু শুংনবা চেঙ চমাং অসিসু হান্নদগী তাইবদা শীৎপগী চাং অসি য়াম্না হন্থখ্রে। অসিগুম্বা কয়া অসিনা ফৌসু লল্লোনবী মখোয় খক নত্তনা লৌমীশিংদসু অচৌবা চৈথেং চাউনা পীরমগনি খল্লি ফোঙদোরকখি।

## ৰ৺ঙ/MARKSHEET CUM CERTIFICATE LOST

I have lost my original marksheet cum certificate of HSLC examination 2020 bearing Roll no. 28989 issued by BOSEM on the way from Bishnupur Ward no. 4 to Kwakeithel on 25th September, 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Longjam Steve**
Bishnupur Ward no. 4
# 8787367115

HL-P/7675/7

## GAS NEWS

**PATSOI INDANE**
BOOKING UPT0 : 28/07/2020
VALID FROM : 22/07/2020
***STOCK : 306 (DBTL ONLY)***
TIMING : 8.00AM TO 10.00AM
HOME DELIVERY CONTACT NO. 9383082751

**MAHALAKSMI INDANE GAS**
Booking upto : 01/08/2020
Valid from : 28/07/2020
Home delivery only,
Cont. Timing - 10 am to 12 noon.
# 9862312969 # 8414929709,
Booking : After 15 days from delivery.

**M/S K&K INDANE SERVICE**
Booking upto sl.no.50 A&B of 02/09/2020
Valid from : 24/08/2020
Gas booking counter open at Tera bazar Office.
Time : 7.30am to 11.00am

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking upto : 28/08/2020
Valid from : 17/08/2020
***Stock : 306***
Time : 7.00am to 10.00am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking upto : 20/08/2020
Valid from : 14/08/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 9089709738, 7005204180, 8787566191
Office Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days

**KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR**
Booking upto : 05/10/2020
Valid from : 11/09/2020
Please contact mobile No. 7085412234
Time: 7:30am to 10:30 am.

**TDK GAS**
BOOKING UPTO : 15/08/2020
VALID FROM : 14/08/2020
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8731992324

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto : 18/07/2020
**Sl. No. - 500**
Only home delivery
Contact No. 7005771527
Office No. 9774068549
Whatsapp No. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking upto : 29/07/2020
**Sl. No. upto - 50**
Valid from : 27/07/2020
Only home del.
Cont. No. 7005934398, 7629076494, Whatsapp No. 9366502930. Office No. 6381538861. Enquiry No.7085557686.

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking upto : 19/08/2020
Valid from : 19/07/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

**MAIBIA GAS MOIRANG** BOOKING UPTO: 11/08/2020 VALID FROM: 10/08/2020 ***STOCK= 306*** (HOME DELIVERY SERVICE) CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248. TIMING--8 AM TO 12 NOON.

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto : 15/07/2020
Valid from : 13/07/2020
***Stk. : 306***
Timing : 6.00am to 9.00am.
Home Delivery ( Contact No. 6909963855/8119073029)

**RBD INDANE SERVICE**
Booking upto : 22/08/2020
Valid from : 05/08/2020
***Stock : 280***
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon( Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday) Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
( Delivery within 4 days)

## এক্স-এম এল এ পাওনম ব্রোজেনগী...

*লামায় ১গী মখা...* স্পিকর (ত্রাইব্যুনেলগী প্রেসাইদিং ওফিসর)না ওগষ্ট ১৪, ২০২০ দা ওর্দর অমা থোক্তুনা পিটিসনরনা ফাইল তৌখিবা এক্স-এম এল এ অসিগী দিসক্বালিফিকেসনগী পিটিসন অদু ইভিদেন্স লৈতে হায়দুনা রিজেক্ট তৌথোকখ্রে। থৌওং অসি নেচরল জষ্টিসপু ভাইওলেসন তৌবনি হায়বসিনি। কেস অসি ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ১দা লিষ্ট তৌখ্রে।

কোর্টনা কেস অসি লৌখৎলকপদা পিটিসনর কাউন্সেলগী মায়কৈদগী তৌরকপা সবমিসনশিং তারগা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট অহুমমক্তা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে। নোটিশশিং অসিগী পাউখুম মথং থাগী ৪ ফাওবগী মনুংদা পীরক্লবসু কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

## সী এমনা ওফিসলশিংদা সর্ভে তৌবগী থবক...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাইল্ডলাইফ ৱিক সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পুথোকপা সোভনিয়র 'লম্লক্কী থৱায়', অঙাংশিংগী লাইরিক 'দ লোষ্ট কিংদম- দ ষ্টোরি ওফ এ ভেনিসিং দীয়র' অমসুং 'ইন্দিয়াগী তোয়না থেংনবা উচেক ১০০' হায়না মিংথোনবা ঈ-বুক অমসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

## বিষ্ণুপুর পুলিসনা কানি কেজি ৪.৪ গা...

*লামায় ১গী মখা...* তৌবদা ফারবা ওটোরিক্সো দ্রাইভর অদু কানিগা কোন্ননা ফাখি। কানিগা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমিং থাংবোই হাওকিপ (২৯), অপোকপা নেহাসাই হাওকিপ কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুরগী বি খোলমুন খুনদা লৈবনি। মঙোন্দগী কানি কেজি ৪.৪ গা কোন্ননা রিকোভর তৌরে। মহাক মখা তানা ৰাহং-পাউহং চত্থনবগীদমক মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## বোরা ২৩ দা হাপ্লগা থল্লম্বা য়াল্লবা হামৈশিং...

*লামায় ১গী মখা...* বাই-ইলেক্সনগী মাঙওইননা কম্বাইন পুলিসনা সাপম মনিং লৈকায় অমদি তেকচম সাবল লৈকায়দা লৈবা য়ুম ১০০ রোম চঙদুনা থি-হুম্বা চত্থখি। য়ুম ১০০ রোমদা লৈরম্বা নুপা-নুপী মীওই ৩৫০ রোম কৌথোক্লগা ৰাহং-পাউহং চত্থখি। থৌদোক অদুদা পুলিসনা য়ু শুংবদা শীজিন্নবা হামৈ বোরা ২৩ ফাগৎখি। থৌদোক অদুদা মীফা মীপুনদি অমত্তা য়াওখিদে হায়রি।

HL-B/6038/7/10-4/11 (alt)

## লিলোং পুলিসনা এদিসনল এস পি বৃন্দা অমসুং পুলিস পর্সনেল ৪...

*লামায় ১গী মখা...* পাওবিটেক মমাঙ লৈকায় (ভি দি এফ নম্বর- ০৯০১০৮৪), এম দি অনিশ খান (২৪), অপোকপা এম দি অয়ুব খান, পাওবিটেক মমাঙ লৈকায় (ভি দি এফ নম্বর- ১১২৮৮৮) অমদি এম দি ফেরোশ খান (২৩), অপোকপা এম দি ফজুরউদ্দিন, পাওবিটেক মমাঙ লৈকায় (ভি দি এফ নম্বর- ১১৩১৯৪) নি।

অদুগা কেস অসিগী চার্জশীটতা মমিং পল্লকপা মীওইশিংনা এম দি অখান (৩০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি জলারউদ্দিন, পাওবিটেক মমাঙ লৈকায়, এম দি নৱাজ খান (২২), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অব্দুর রহিম, লিলোং তাইরেন মখোঙ, খাংজ্রাকপম শ্যামকুমার (৫০), অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ তোম্বী অমসুং সেকমাইজিন খুনৌ, সলাম হিমট (৫৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা এস নোদিয়া, ব্রহ্মপুর ভৈগ্যবতি লৈকায় (য়াসু গ্রাউন্দ মনাক) নি হায়রি। কোর্টনা ফাইল তৌরকপা চার্জশীট অসিনা হায়বদা থৌদোক অসি মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী মার্চ ১১গী অয়ুক পুং ১১.৪৫ রোম তারকপদা থোকখিবনি হায়রি।

কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা থৌবাল কম্মান্দো অমসুং লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী কম্বাইন টিম অমনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লিলোং পি এসনা কোনবা জ্যুরিদিক্সন মনুংগী মফমশিংদা পেট্রোল্লিং চৎপনি হায়রি।

কম্বাইন টিম অসিদা লিলোং পি এসকী মায়কৈদগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর ও অজিৎনা লুচিংলগা সব-ইন্সপেক্টর এম দি ৱাকিবউদ্দিন, এস আই সন্টোশ, এ এস আই এম দি মজহর অলি য়াওখি। থৌবাল কম্মান্দোগী টিম অদুনা হেদ-কন্সটেবল অথোকপম রাজেশ্বোরনা কম্মান্দ তৌরকখি হায়রি।

টিম অসিনা পুংফমসিদা লিলোং চিঙ্খম মমাঙ লৈকায় য়ৌশিল্লকপদা মারুটি অল্টো কার- এম এন-০৬/এ-৭১৩২ অমসুং হেন্দা দাইও- এম এন-০১/এ ঈ-৬৪৪৭ লিলোং চিঙ্খম হঙ্গামথাবীগী ইন্টর ভিলেজ রোদ নাকলগী ক্রোসিংদা খামদুনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

পুলিস টিম অদুনা গাড়ীশিং অদুগী মনাক নকশিল্লুবদা চিংননিংঙাই ওইনা খাল্লম্বা অল্টো কার অদুদগী মীওই ৫ কুমথরক্লগা নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনখি হায়রি। মখোয়গী মনুংদা অমনা কোল্লা মচুগী পোলিথিন কেরি বেগ অমা পায় হায়রি।

পুলিস টিমনা মখোয় লোয়নমক মফমদুদা দিটেন তৌরগা অমমমতা ওইনা ভেরিফিকেসন তৌবদা মখোয়শিংদুগী মনুংদগী কোল্লা মচুগী কেরি বেগ পায়বদুনা ভি দি এফ পর্সনেল এম দি ফেরোশ খান ওইরম্বগা লোয়ননা অতৈনা এম দি অখান, নাজির অহম্মদ, এম দি অনিশ খান অমসুং এম দি নৱাজ খান ওইরমখি হায়রি।

মখোয়বু ভেরিফাই তৌরগা গাড়ী অনীদু য়াওনা মখোয়গী মশাশিং ছর্শ তৌবদা এম দি ফেরোশ খাননা পায়বা কেরি বেগ অদুগী মনুংদা পিঙ্ক কলরগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট (এম্ফেটামাইন) টেব্লেট ৯৮০০ য়াওরমখি হায়রি। টেব্লেটশিং ট্রান্সপরেন্ট পোলিথিন কেরি বেগ অমনা য়োল্লগা হাপ্লম্বনি হায়রি।

এম দি ফেরোশ খানগী প্রিলিমিনরি এগজামিনেসন্দা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অসি সী আই দি (সিক্যুরিটি)দা পোষ্টিং লৈরগা নার্কোটিক এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি), মণিপুরদা এটেচ তৌদুনা লৈবা এস আই রাধাকিশোর ৱাহেংবমনা য়োনবগী শেল য়েন্নসি হায়দুনা পীরম্বনি হায়খি হায়রি। কেস অসিগী মতাংদা চত্থরকখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মখা তাবা শরুক্তা পুলিসকী এস আই অসি ফাদুনা ৰাহং-পাউহং চত্থবদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অসি কন্সটেবল এল সঞ্জোয়না পুরকপনি হায়দুনা খুমখি হায়না চার্জশীট অসিদা পল্লি। অদুগা মহাকপু ফারগা চত্থখিবা ইন্টরোগেসন্দগী এন এ বিগী হেদ কন্সটেবল জি প্রিয়োজিৎ অমসুং কন্সটেবল আই রবিকুমারসু চেন্নৈ হায়রকপদগী মখোয়বুসু ফাখি লোয়ননা চেন্নবা অতৈ এক্যুইজশিং মথং-মথং ফাগৎলকখিবনি হায়রি।

অদুগা মতমদুদা এন এ বি পি এসকী ও সী ওইখিবা ইন্সপেক্টর ব্রহ্মচারিময়ুম রিশিকেশ (৪৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা বি সুরেন্দ্রকুমার, য়াইস্কুল পুলিস লেনগী ষ্টেটমেন্ট কেস অসিগা মরী লৈননা রেকোর্দ তৌখিবদা মহাকপু এদিসনল এস পি টি ঐচ বৃন্দানা কেস অসিদগী এস আই রাধাকিশোর ৱাহেংবম অমসুং কন্সটেবল সঞ্জোয়বু লৌথোক্লবগীদমক থৌবাল এস পি ডা. এস ইবোমচা অমদি মতমদুগী দি আই জি রেঞ্জ টু কে জয়েন্ত উননবা থারকখি হায়বা ৱাফমসু চার্জশীটসিদা পল্লি।

কেসসিগী মতাংদা সী আর পি সীগী সেক্সন- ১৬১গী মখাদা কেসসিগী আই ও ঐচ জে ান্নি (এস দি পি ও), থৌবালনা মতমদুগী জি আই জি রেঞ্জ টু ওইরম্বা আই জি- জোন-১ অমসুং থৌবাল এস পি ডা. এস ইবোমচাগী ষ্টেটমেন্টশিং জুলাই ২২, ২০২০ দা রেকোর্দিং তৌখিবদসু টি ঐচ বৃন্দানা এস আই রাধাকিশোর অমসুং কন্সটেবল এল সঞ্জোয় থাদোক্লবা হায়রকপদগী এন এ বিগী ও সীবু চৈখি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি হায়রি।

স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস), থৌবাল এ নৌতুনেশ্বরিগী কোর্টনা চার্জশীট অসি কোর্ট অসিগী স্পেসল ট্রাইয়েল (এন দি এন্দ পি এস) কেস নম্বর- ১৩ ওফ ২০২০ ওইনা লৌখৎখ্রে।

অদুগা ঙরাং চত্থখিবা কেস অসিগী প্রোসিদিংদা চার্জশীটতা এক্যুইজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা অপূনবা মীওই ১৩গী মথক্তা কোগনাইজেন্স লৌখ্রে। অদুগা এক্যুইজশিং অসি থা অসিগী ১৪ দা কোর্টসিদা মশা-মশা কারক্লবা সম্মোন নোটিশশিং ইস্যু তৌখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, অপূনবা এক্যুইজ ১৩গী মনুংদা এদিসনল এস পি টি ঐচ বৃন্দাগী মথক্তনা আই পি সীগী সেক্সন- ৩৪/১২০-বি/১৮৬/১৮৭/১৮৯/৫০৬ কী মখাদা কোগনাইজেন্স লৌরগা অতোপ্পা এক্যুইজ ১২গী মথক্তনা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন- ২২ (সী)/২৯/৮(এ)(সী)গী মখাদা কোগনাইজেন্স লৌবনি হায়রি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE
ADMISSION OPEN FOR
MEDICAL AND ENGINEERING FOUNDATION
FOUNDATION COURSE 2020
CLASS X(BOSEM) CLASS X(CBSE)
CLASS XI ( COHSEM &CBSE) CLASS XII (Sc.,Arts & Commerce)
LIMITED SEAT FIRST COME FIRST SERVE
Batches : Morning 4.30am-7.50am, 8.15-11.30am & 12.30-3.45pm,4.30-8.45pm
RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
LAST DATE OF ADMISSION : 15th Oct. 2020
TIME: OFFICE HOURS
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS'
SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex student).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL.
ADVANCED COACHING NAGAMAPAL
Whatapp no : 8787586090/9862992105
advancedcoachinginstitute12@gmail.com
NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION
FOR QUERY : 9862992105

HL/B/6425/1 to 29 Oct. alt.

